

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ভোপালদা পাঙথোক্লিবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড লৌখ্রবা অনিস ভনৱালা*

*মেম্বর ৫ গী স্কৱাদ লাওথোকপদা চহী ৪ গী মতুংদা ইন্দিয়াগী ফেদ কপ টিমদা শরুক য়াগদৌরিবা দবলসকী টেন্নিস ষ্টার সনিয়া মির্জা*

## কোহলি অমসুং ধোনিবু দিকেদ অসিগী টেষ্ট অমসুং ও দি আইগী খ্বাইদগী ফবা কেপ্টেননি হায়না সি এনা লাওথোকখ্রে

*মেলবর্ন, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সি) ঃ*



ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট শান্নরোই ভিরাট কোহলি অমসুং মহেন্দ্র সিংহ ধোনিবু দিকেদ অসিগী টেষ্ট অমসুং ও দি আইগী খ্বাইদগী ফবা কেপ্টেনশিংনি হায়না ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা লাওথোকখ্রে।

ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱেবসাইটতা ঙসি থাদোরকখিবদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোহলিবু টেষ্ট ফোর্মেটকী খ্বাইদগী ফরবা কেপ্টেননি হায়না ফোঙদোকখি। অদুগা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিবুনা দিকেদ অসিগী ৱান দে ইন্টরনেসনেলগী খ্বাইদগী ফজরবা কেপ্টেননি হায়না ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱেবসাইট অদুদা ফোঙদোরকখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী হৌজিক–হৌজিক কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোহলি ফোর্মেট পুম্নমক্তা এভরেজদা রন ৫০ হেন্না লৌবা ঙমদুনা পুন্না রন ২১,৪৪৪ লৌদুনা লিদিং রন স্কোররশিংগী মনুংদা অহুমশুবদা লৈরি।

লিদিং রন স্কোররশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াগী মমাঙদা শান্নরোই ওইরম্বা সচিন টেন্দুলকরনা রন ৩৪,৩৫৭ লৌবা ঙমদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই রিক্কী পোন্টিংনা পুন্না রন ২৭,৪৮৩ লৌবা ঙমদুনা অনীশুবদা লৈরি।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা ইন্টরনেসনেল হন্দ্রেদ ৭০ য়ৈদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী রিক্কী পোন্টিংদগী শুপ্নগী মশীং অমখক হন্দুনা অহুমশুবদা লৈরি। ইন্দিয়াগী মমাঙদা শান্নরোই ওইরম্বা সচিন টেন্দুলকরনা সেঞ্চুরি ১০০ লৌবা ঙমদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

টেষ্ট ফোর্মেট অসিগী দেকেদ অসিদা ফজবা ঙল্লিবা শান্নরোইশিংগী মরক্তা এলেষ্টিয়র কুক, দেবিদ ৱার্নর, কেন ৱিলিয়মসন, ষ্টিভ স্মিথ, এ বি দি ভিলিয়র্স, বেন ষ্টোক্স, দেল ষ্টেন, ষ্টুৱার্ট ব্রোদ, নথান লিওন অমসুং জেমস এন্দরসনসু য়াওরি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা লুচিংদুনা কুমজা ২০০৭ অমসুং ২০১১ দা ৱার্ল্ড কপকী টাইটলশিং লৌবা ঙমখি। মহাক্কী ফজবা পার্ফোমেন্স অসিনা ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙসি ফোঙদোরকখিবা ও দি আইগী দেকেদ অসিদা খ্বাইদগী ফজবা কেপ্টেননি হায়না লাওথোরকখিবনি।

ইন্দিয়াগী ওপনর রোহিট শর্ম্মসু চৎলিবা চহী ২০১৯ অসিদা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা ওপনর অমনা চহী অমদা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা ঙম্বগী রেকোর্দ অদু থম্বা ঙমখিবনি। মহাক্না চহী অসিদা লন্দনদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ্তা সেঞ্চুরি ৫ লৌবা ঙমখিবনি।

## ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী প্রাইজ য়ুএস দোলর মিলিয়ন ৭১ ওইখ্রে

*সিদনি, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সি) ঃ*

মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা কুমজা ২০২০ গী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী প্রাইজ মনি রেকোর্দ ওইনা য়ু এস দোলর ৭১ মিলিয়নদা হেনগৎখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী ওর্গনাইজরনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না হন্দক হেনগৎলক্লিবা প্রাইজ মনি অসি কুমজা ২০০১ গী মতুংদগী ৪১২ পার্সেন্টনি। ২০০১ দা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী প্রাইজ মনি অসি য়ু এস দোলর ১৩.৯ মিলিয়ন ওইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস ৱিন্নরশিংনা ওষ্ট্রেলিয়ান দোলর ৪.১২ মিলিয়ন ফংগনি। অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌবা শান্নরোইশিংনা ওষ্ট্রেলিয়ান দোলর ৯০,০০০ ফংগনি অদুগা অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌবা শান্নরোইশিংনা ওষ্ট্রেলিয়ান দোলর ১২৮,০০০ ফংগনি হায়না টুর্নামেন্টকী দাইরেক্টর ক্রেজ টিলিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## মনু ভাকরনা মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলগী সেনিয়র অমসুং জুনিয়র অনীমক্তা গোল্ড লৌখ্রে

*ভোপাল, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সি) ঃ*



মধ্য প্রদেশকী কোনুং ভোপালদা চৎথরিবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা কম্মনৱেল্থ গেমস গোল্ড মেডালিষ্ট মনু ভাকরনা নুপীগী মিটর ১০ গী কম্পিটিসন্দা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা সেনিয়র অমসুং জুনিয়রগী গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা সেনিয়র ৱুমেনগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেলদা য়ুঠ ওলেম্পিক গেমসকী গোল্ড মেডালিষ্ট মনু ভাকরনা পোইন্ট ২৪১ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিদা দেভান্সি ধমানা ২৩৭.৮ স্কোর তৌদুনা সিলভর মেডল লৌখি অদুগা য়াসাস্বিনি সিংহ দেসৱালনা পোইন্ট ২১৭.৭ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল অসিগী জুনিয়র সেক্সন্দা হরিয়ানা ষ্টেটকী মায়কৈদগী শরুক য়ারিবী মনু ভাকরনা পোইন্ট ২৪৩ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

মনু ভাকর অমসুং য়াসস্বিনি সিংহ দেসৱাল কুমজা ২০২০ দা টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি।

নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা অনিস ভনৱালানা পোইন্ট ২৮ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিদা রাজস্থানগী সুট্টর ভাভেস সেখাৱটনা পোইন্ট ২৬ স্কোর তৌদুনা সিলভর মেডল ফংলগা চান্দিগরগী সুট্টর ভিজয়বির সিধুনা পোইন্ট ২২ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

## এলেক্স ওক্সলেদ লিগামেন্ট শোক্তুনা ২০১৯গী লেমহৌরিবা মেটচশিং য়াওররোই

*লিভরপুর, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সি) ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলগী মকোক থোংদুনা চৎলিবা লিভরপুলগী মিডফিল্ডর এলেক্স ওক্সলেদ খোংনিংগী লিগামেন্ট শোক্তুনা ২০১৯ গী লেমহৌরিবা মেটচশিংদা শরুক য়াররোই।

এলেক্স ওক্সলেদ ২০১৯ গী লেমহৌরিবা মেটচশিংদা শরুক য়াররোই হায়বগী ৱাফম অসি লিভরপুলগী কোচ গরগেন ক্লোপনা ফোঙদোরকখিবনি। মহাক্কী অশোকপা অসি ফগৎনবা হোৎনবদা মতম খরা চঙখিগনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, হন্দক্তা কাটারগী কোনুং দোহাদা শান্নখিবা ফিফা ক্লব ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা লিভরপুলনা ব্রাজিলগী ক্লব ফ্লামেঙ্গোগা লম্বা তৌনখি। মেটচ অসিদা লিভরপুলগী মিডফিল্ডর এলেক্স ওক্সলেদ মহাক্কী খোংনিংগী লিগামেন্ট অদু শোকখিবনি।

পনবা য়াই, লিভরপুলনা ইটালিগী ক্লব নাপোলিগা নবেম্বর ২৭তা শান্নখিবা য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগকী গ্রুপ 'ই' গী মেটচতা টিম অসিগী শান্নরোই ফাবিও হেনরিকসু শোকখিবনি।

## বুমরাহ অমসুং ধৱন য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম্না শ্রী লঙ্কা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগদবা লিমিটেদ ওভর সেরিজদা বোল্লর বুমরাহ অমসুং বেটসমেন সিখর ধৱন অমুক টিম অসিগী স্কৱাদতা য়াওরকখ্রে।

ইন্দিয়ানা মথং চহীগী জনুৱারী ৫গী হৌদুনা শ্রী লঙ্কাগা টি–২০ মেটচ অহুম শান্নগনি। মসিগী মতুংদা থা অসিমক্কী ১৪ দগী হৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগা ৱান দে মেটচ ৩ শান্নগনি।

ফিভম ফজনা লৈরিবা ভাইস কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মাদি শ্রী লঙ্কাগা শান্নগদবা টি–২০ সেরিজ অসিদা য়াওহন্দনা পোত্থাহনখ্রে। অদুবু ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগদৌরিবা ও দি আই সেরিজগী স্কৱাদতদি য়াওরি। বোল্লর মোহমদ সামীসু শ্রী লঙ্কাগা শান্নগদবা টি–২০ সেরিজ অসিদা মমিং য়াওখিদ্রে। সিখর ধৱনদি টি–২০ অমসুং ও দি আই সেরিজ অনীমক্তা য়াওবা ঙমখ্রে।

### ক্রোসৱার্দ ৩৭৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| L | A | U | D | ■ | D | I | O | D | E | ■ | S | A | F | E |
| O | S | L | O | ■ | E | N | D | E | D | ■ | A | X | E | D |
| R | E | A | D | Y | A | N | D | W | I | L | L | I | N | G |
| D | A | N | G | E | R | ■ | S | E | T | A | ■ | A | C | E |
| ■ | ■ | ■ | E | L | S | A | ■ | Y | O | D | E | L | E | D |
| C | H | A | M | P | I | N | G | ■ | U | S | S | ■ | ■ | ■ |
| O | E | R | ■ | E | R | N | E | S | T | ■ | S | C | A | M |
| N | A | M | E | D | ■ | U | N | A | ■ | N | O | R | S | E |
| S | T | Y | X | ■ | A | L | O | N | S | O | ■ | A | T | E |
| ■ | ■ | ■ | P | A | L | ■ | A | T | T | H | E | B | I | T |
| I | N | D | O | U | B | T | ■ | A | R | E | S | ■ | ■ | ■ |
| D | O | E | ■ | T | E | A | M | ■ | A | L | C | A | P | P |
| A | L | L | W | O | R | K | E | D | U | P | O | V | E | R |
| H | A | V | E | ■ | T | E | A | R | S | ■ | R | E | P | O |
| O | N | E | S | ■ | A | N | T | E | S | ■ | T | R | A | M |


**MSPDCL**

**MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED**

**PRESS NOTE**

**Im**phal, the 24th Dec 2019

MSPDCL disconnected the following DTRs of Thoubal Sub-Division due to nonpayment of dues by maximum number of consumers.

1. 63KVA Irong Chesaba Makha
2. Irong Chesaba Makha Leikai - II
3. Irong Chesaba Makha - III
4. 63KVA Irong Chesaba Makha Leikai
5. 100KVA Chesaba Bazaar

Sd/-
General Manager - 1
MSPDCL

SL/B(Emingsel)/25



**MSPDCL**

**OFFICE OF THE DEPUTY GENERAL MANAGER : KANGPOKPI**
**MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED**

**PRESS NOTE**

**Dated / Im**phal, the 24th Dec 2019

এম এস পি দি সি এল কাংপোকপী দিভিজনগী কঞ্জুমরশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি হৌজিক এম এস পি সি এল অমদি পি জি সি আই এলনা য়ুরেম্বম–কারোং অমদি কোহিমা ফাওনরিবা ১৩২ কে ভি লাইনগী রি–ষ্ট্রিঙ্গিং তৌবগী থবক কন্না পায়খৎলি।

হায়রিবসিগা ইরোইননা ইম্ফাল–কোহিমা ৪০০ কে ভিগী অনৌবা লাইন তিংবগী থবকসু চত্থরি।

হায়রিবশিং অসিনা সেনাপতি অমদি কাংপোকপীদা ঙাইহাক লৈতনা মীয়ামদা মৈ সপ্লাই তৌবদা অপনবা থোকহল্লি।

১৩২কে ভি, ৩৩ কে ভি অমদি ১১ কে ভি হায়রিবা লাইনশিং অসিগা অনৌবা তিংলক্লিবা ৪০০ কে ভি লাইন অসিগা হকথেংননা তিংমিন্নবনা মরম ওইদুনা, তঙাইফদনা, তোয়না সটদাউন্দ তৌবা মথৌ তাবনা মীয়ামদা মৈ ফংহনবদগী খুদোংচাদবা থোকহল্লগনি।

খুদোং চাদবসিগীদমক এম এস পি দি সি এলগী কঞ্জুমরশিংনা ৱারৌবিদনবা হায়জরি।

Sd/-
DGM,
Kangpokpi Division, MSPDCL.

SL/B(Emingsel)/25



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 711/SDC/B/IE of 2019

Soraisam Ibeyaima Devi W/o Waikhom Jankishwor @ Tomba Singh of Khurai Chingangbam Leikai
Petitioner

-Vs-

Waikhom Tomba Singh S/o (L) Bidhu Singh of Wangkhei Loumanbi
Pattadar

**NOTICE**

Bashikhong, the 24th December 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫৬–বাশিখোং পাট্টা নং ৩৬৯ / ৪৮৯ অনৌবা দাগ নং ১৯৫ মোট এরিয়া ০.৯০ একর চাওবা লৌফম অসিগী পট্টাদার ৱাইখোম তোম্বা সিংহ পীং মৃঃ বিধু সিংহ সাং ৱাংখৈ লৌমানবীদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিল্লবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/Bill(T)/25



SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL
POROMPAT, OPP. DDK IMPHAL
Recognised by the BOSEM & COHSEM

ADMISSION OPEN
FOR THE ACADEMIC SESSION 2020
FOR THE CLASSES PRE-NRY TO CL-VIII

With the completion of 30 years of service in the field of education, School is pleased to announce SPECIAL CONCESSION for admission to NURSERY & PRE-NURSERY.

Plz. Contact School Office for more details during School hours. Sd/- Principal

SL/5587/6 Dec.+ 15 Days



**In the Court of Sub-Disvisional Officer,**
**Lamphel-Imphal West**
Ref. :- Mutation Case No. 2664/SDC/IW(C) of 13/12/2019

Loitongbam Nandarani Devi W/o (L) Moirangthem Vicky Singh of Nagamapal Chungkham Leirak
*-Petitioner*

***-Verses-***

(L) Moirangthem Vicky Singh S/o Tomcha Singh of Nagamapal Chungkham Leirak
*-O.P.(s)*

**NOTICE**

*Lamphel, the 24th December 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা মৃতুঃ পাটাদার (Late) Moirangthem Vicky Singh S/o Tomcha Singh of Nagamapal Chungkham Leirak গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খুল নং 89-Khwai Lalambung অরিবা পট্টা নম্বর 85 অনৌবা পট্টা নম্বর 1893 দাগ নং 2268 অমসুং এরিয়া .02020 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central), Office অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ –চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Divisional Officer,**
Lamphel-Imphal West

SL/5644(4)/25



**In the Court of Sub-Disvisional Officer,**
**Lamphel-Imphal West**
Ref. :- Mutation Case No. 2737/SDC/IW(C) of 24/12/2019

Nongthombam Inaocha Meitei S/o (Late) Ibobi Singh of Sagolband Thangjam Leirak
*-Petitioner*

***-Verses-***

(1) Late Nongthombam Basanta Singh S/o (Late) Ibobi Singh of Sagolband Thangjam Leirak
(2) Nongthombam (N) Memcha Devi D/o (L) -do-
(3) -Do- (N) Mandakini Devi
(4) -Do- (N) Sushitra Chanu
*- O.P.(s)*

**NOTICE**

*Lamphel, the 24th December 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা মৃতুঃ পাটাদার (Late)Nongthombam Basanta Singh S/o (L) Ibobi Singh of Sagolband Thangjam Leirak গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খুল নংঃ 85-Sagolband অরিবা পট্টা নম্বর 565 অনৌবা পট্টা নম্বর 965/6326 দাগ নং 8344/8563 অমসুং এরিয়া .0174 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central), Office অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ –চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Divisional Officer,**
Lamphel-Imphal West

SL/5644(3)/25



**In the Court of Sub-Disvisional Officer,**
**Lamphel-Imphal West**
Ref. :- Mutation Case No. 2736/SDC/IW(C) of 24/12/2019

Loitongbam Nandarani Devi W/o (L) Moirangthem Vicky Singh of Nagamapal Chungkham Leirak
*-Petitioner*

***-Verses-***

Moirangthem Vicky Singh S/o Tomcha Singh of Nagamapal Chungkham Leirak
*- O.P.(s)*

**NOTICE**

*Lamphel, the 24th December 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা মৃতুঃ পাটাদার (L) Moirangthem Vicky Singh S/o Tomcha Singh of Nagamapal Chungkham Leirak গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খুল নংঃ 89-Khwai Lalambung অরিবা পট্টা নম্বর 1014 অনৌবা পট্টা নম্বর 111 দাগ নং 207/2186 অমসুং এরিয়া .00035 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central), Office অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ –চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Divisional Officer,**
Lamphel-Imphal West

SL/5644(5)/25



**In the Court of Sub-Disvisional Officer,**
**Lamphel-Imphal West**
Ref. :- Mutation Case No. 2735/SDC/IW(C) of 24/12/2019

Loitongbam Nandarani Devi W/o (L) Moirangthem Vicky Singh of Nagamapal Chungkham Leirak
*-Petitioner*

***-Verses-***

Moirangthem Vicky Singh S/o Tomcha Singh of Nagamapal Chungkham Leirak
*- O.P.(s)*

**NOTICE**

*Lamphel, the 24th December 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা মৃতুঃ পাটাদার Moirangthem Vicky Singh S/o Tomcha Singh of Nagamapal Chungkham Leirak গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খুল নংঃ 89-Khwai Lalambung অরিবা পট্টা নম্বর 1014 অনৌবা পট্টা নম্বর 111/2302 দাগ নং 2186/2687 অমসুং এরিয়া .00035 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central), Office অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ –চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Divisional Officer,**
Lamphel-Imphal West

SL/5644(6)/25